# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-05-2026)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী টি.এম. কসোম মপাদা খুৎলায় পায়বশিংনা চথরকপা এট্রেক্তা ত্রক দ্রাইভর অমা লৈখিদবা অমসুং পুলিস কন্সটেবল অমনা শোকখিবগী থৌদোক অদুবু রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ৱারোল অমদা রাজ্যপালনা হায়-তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুদুনা লাকপা ত্রকশিংদা এট্রেক চথ্দুনা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন থোকহনখিবা থৌদোক অদু য়ামা পাংদবগী থৌদোকনি। অসিগুম্বা হিংশাগী থৌদোকশিংনা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনরিবা থৌরাংশিংদা চাউনা অপনবা পীরি। লৈখিদ্রবা দ্রাইভর অদুগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি। শোক্লবা পুলিস কন্সটেবল অদুসু থুনা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়রি। থৌদোক অদুগী মতুংদা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎতুনা মরাল লৈবশিং ফাদুনা দন্দি পীনবা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়নসু রাজ্যপালনা ফোংদোক্লি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী কেদর তরুক ফারে।

রাজ্য পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা ৱাংখৈ হিজম লৈরক্তগী হৌজিক হৌজিকনা বামোন কম্পু লৈতম্বীদা লৈবা মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ফারে। অতোপ্পা মীওই অদুসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপী অৱাং লৈকাইদগীনি। হৌজিক হৌজিকনা খুরাই সলানথোং আর.কে. লৈরক্তা লৈবনি হায়রি। মখোয়দগী হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, দিটোনেটর তরেৎ য়াওবা রেড তিন বোক্স অমা, দিমান্দ লেট্টর অমা, বেগ অনি, মোবাইল ফোন মঙা অমসুং অধার কার্ড অনি ফংলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লম্বাল অৱাং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী অতোপ্পা লালহৌবা অমসু ফারে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোদোমপোকপী মনিং লৈকাইদগী, হৌজিকনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা কৈকোল মনিং লৈকাইদা লৈবা লালহৌলুপ অমগী মীওই অমা অমসুং থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা খাইদেম লাইফ্রাকপম মনিং লৈকাইদগী, হৌজিকনা লমদেং খুনৌদা লৈবা মীওই অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মখোয় অনিমক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অহুম অমসুং কার অমা ফংলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শঞ্জেনবম মনিং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী লালহৌবা মীওই অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

**আউটরিটচ(এল)ঃ** কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন, রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিনদুনা ভিক্সিত ভারত এদ ২০৪৭ কী মতাংদা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ঙরাং হিয়াংথাংদা লৈবা কমাখ্যা পেমতোন কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুরগী য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-গঙ্গা প্রসাদ পরসেননা হায়-মালেমগী কৈথেলশিংদা চাইনাগী পোৎলমশিংনা তপা তপা খুদুম চনশিল্লক্লি। মালেমগী মনুংদা মীশিং য়াম্বা লৈবাক অমা ওইরিবা ভারত্তা লম খুদিংমক্তা হেন্না চাউখৎহনবা ঙল্লবদি কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা চাউখৎলবা ভারত অমা ওইহনবা হায়বসি শোয়দনা ওইথোকহনবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা দ্রামা অমসুং জগোই ঈশৈগী খুথাংদা ভিক্সিত ভারতকী মতাংদা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং উৎখি।

**কেম্প(এল)ঃ** খুলখুল পি.ঐচ.সিদা ঙরাং লেমা মিৎ লায়েংবা অমসুং ঙৌদোং

লৈব্রা হায়বদু খঙদোকপগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং ব্লাইনেস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা মিৎ দান তৌবগী থাখায় পালনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মীওই ২৫ ঙৌদোং লৈরম্বা থেংনখি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: এন.জি. দয়াবতিসু শরুক য়াখি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-ঙমখৈদা চেকশিননা ঙাক শেনবা অমসুং আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং লৈহন্দবনা লৈবাক অসিদা মীশিং হেনগৎলকপা লাকশিনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

গুজরাটকী ভুজতা লৈবা ভারত-পাকিস্তান ঙমখৈগী বোর্ডর আউট পোষ্ট অমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহনা হায়-ঙমখৈদা ঙাক শেনবগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা সরকারনা দ্রোন, রদার অমসুং অনৌবা মখলগী শম্বল খাবগী থৌওংশিং য়াওনা মতমগা চুন্নরবা টেকোলোজি কয়া ফংহল্লি। বি.এস.এফনা ঙমখৈ ঙাকপগী থবক্তা হৌখিবা চহি ৬০ রোম অসিদা লৌরক্লিবা থৌদাংবু মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা ফোর্স অসিগী পার্সোনেলশিংগী মফমদসু মহাকা ইকায় খুমবা উৎখি।

**পিএমঃ** ম্যান্মারগী রাস্ত্রপতি-উ মিন ওং লেয়েং, নুমিৎ মঙানিগী ভারত খোঙচৎতা ঙসি বিহারগী গয়াদা থুংলগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা কেবিনেট মন্ত্রিশিং, মকোক থোংবা ওফিসিএল অমসুং লল্লোন ইতিক্কী লুচিংবশিং য়াওবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা লোয়নরক্কনি।

মহাকা গয়াদা ঙসি অয়ুক হেক থুংলবগা মহা বুধি মন্দির অমসুং সুজাতা মন্দিরদা চৎতুনা লাই খুরুমগনি। মদুগী তুংদা, ন্যু দিল্লিদা লাক্কনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাস্ত্রপতি-উ মিননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী

শান্নগনি।

**মনশুখঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি-কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মায় পাকহন্নবগীদমক মসিগী মতাংদা নহারোলশিংদা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনগদবনি।

শিল্লোংগী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টতা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী নহারোলশিংদা ৱাফম অসিগী মতাংদা গ্রাস রুট লেবেলদগী হৌনা নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক লৈকাই লৈকাইশিংদা লৈরিবা ক্লবশিং, কলেজশিং, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিং অমদি ভোলুন্টিয়ারশিংনা পুন্না হোৎনমীনবা তঙাইফদে।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৪ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেসনেল হায়ৱেদা এম্বুস চথুরকপদা দ্রাইভর অমা শিখিবা অমদি পুলিস অমা শোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মিলিটেন্টশিংনা লান্দাবদা বেঙ্গোলি দ্রাইভর শিরে, পুলিস কন্সটেবল শোকখ্রে হায়বা পাউনা সঙাহ এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউশিং-সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, পোকফম, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, মনিপুর মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

সেক্যুরিতিগী নৎত্রগা ইন্টিলিজেন্সকী কদাইদা, অহোবা-অশোয়বা লৈখিবগে হায়বদু থিগৎকনি হায়বা মিনিস্তর-গোবিন্দাসকী ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা এস.আই.আর. এক্সরসাইজ ঙসিদগী হৌরগনি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউদসু ফোংলি।

অহানবা মনিপুর রাইফলসতা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা পুলিস ম্যুজিয়ম শঙ্গাখিবগী পাউনা মনিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গভনরনা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্ড লান্থোকখ্রে হায়বা পাউ-মনিপুর মেল অমসুং সনা লৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গভরমেন্টকী থবক লৌবদা চহি অনি কোমথোক্লগনি হায়বা পাউনা পোক ফমগী অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা নেসনেল হায়ৱে ২০২ দা এম্বুস চথুরকপদা এফ.সি.আহ. দ্রাইভর অমা শিরে, পুলিস অমা শোক্লে হায়বা পাউনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

উখ্রুলগী নেসনেল হায়রে ২০২ দা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িদা এম্বুস চপ্থরকপবু মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউনা দা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।